## মপূং ফানা ফংহন্নবা হোৎনগনি : মাফ্রো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০(ঐচ এন এস): নেসনল কাউন্সিল ফোর প্রমোসন ওফ উর্দু লেংগ্বেজনা মহৈরোয়শিংদা কান্নবা পীরিবশিং মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (মাফ্রো)না মপূং ফানা ফংহন্নবা অঙম্বা থাদুনা হোৎনগনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, এন সী পি য়ু এলগী মখাদা উর্দু অমদি কম্প্যুটর দিপ্লোমা তম্নবগীদমক সেন্টর অমদা কম্প্যুটর সেট ১৫ অমদি ওজা ৩গী রিম্যুনরেসন ওইনা পীদুনা অমদি রেন্টফী, মেন্টেনেন্স ফীনচিংবা থা খূদিংগী এন সী পি য়ু এলদগী গ্রান্ট-ইন-এইদ পীদুনা সেন্টরশিং অসি চল্লাইবনি। মহৈরোয়শিংগীদমক কান্নরবা অসিবু মাঙহন্দুনা ট্রেনিং সেন্টর অসিগা মান্নরগা সেলরি অমদি মেন্টেনেন্স চাথোকখিবা সেন্টরশিংদা মাফ্রোনা সর্ভে চথখি। সেন্টরশিং অসি অয়াম্বনা এন সী পি য়ু এলনা পীরকপা এদ্রেসশিংদা থিবা ফংখিদে। সেন্টর ৪ অমনা সাইন বোর্দ লৈরগা ক্লাস রূম অমদি কম্প্যুটর অমত্তা লৈবা থেংনদে। সেন্টর ইন-চার্জনচিংবসু অমত্তা থেংনদে।

## মফম অনীদা...

*লামায় ১গী মখা...* হোস্পিটালদা পুদুনা চেক তৌরুবা মতমদা নুপীমচা অদু ফল্লানবীখিবগী খুদম ফঙলকপনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থা অসিগী ৬ তা ইম্ফাল ইষ্টকী রুমেন পুলিসতা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা কমপ্লেন তৌখি। মদুগী মতুংদা মথংগী নুমিৎতা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অশোক বাসনেট পুলিসনা ফাখি। থা অসিগী ৮ দনা মনে রাধিকাসু পুলিসনা ফাখি হায়রি। রাধিকা হায়রিবী নুপী অসি মচা অনী লৈরে। অসোক বাসনেটনা পাখঙনি হায়রি। ফারবা মীওই অনী অদু ইম্ফাল ইষ্টকী স্পেসল কোর্ট জজ (পোক্সো) দা নুমিৎ হুমনি রিমান্দ লৌথরবা মতুংদা ঙসি অমুক মখা তানা নুমিৎ মরিনি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি। মরাইবক থিরবী নুপীমচা অদু হৌজিক ইম্ফাল ৱেষ্টকী হোম অমদা থমখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ১ গী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙু পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফম অমদা চহী ৮ দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমসু নুপা অমনা নমদুনা ফল্লানবীরম্বদগী লৈকায়গী মীওই অমনা থেংনদুনা নুপা অদু ফারে হায়রি।

ফারবা নুপা অদুগী মমীং ৱাঙু ৱারুকোকময়াই লৈকায়দগী কোঞ্জেংবম অবুং (২১) অপোকপা কে অঙাংচা কৌই। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা অবুং পুলিসনা ফারবা মতুংদা থৌবালগী স্পেসল কোর্ট জজ (পোক্সো) দা নুমিৎ মঙানি পুলিস রিমান্দ লৌথরবা মতুংদা মখা তানা অমুক থা অসিগী ৫ দা থৌবালগী স্পেসল কোর্ট জজ (পোক্সো) দা পুথোক্লবা মতুংদা জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি।

## GAS TODAY

**JEMON GAS SERVICE, CHINGAMATHAK**
Booking Upto:14/12/2017
Valid From:30/11/2017
***Stk :918***
Timing:07.00am to 09.30am

**KHORIPHABA, NAMBOL SL.NO. 3583**
Booking Upto:11/01/2018
Valid From:09/01/2018
***Stk :306 (CTC)***
Timing:07.00am to 10.00am

**KHONGNANG GAS, NINGTHOUKHONG SL.NO. 4801-5244**
Booking Upto:23/12/2017
Valid From:16/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**MAHALAKSMI INDANE SL.NO. UPTO 205231**
Booking Upto:28/12/2017
Valid From:11/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**MAIBIA GAS, MOIRANG SL NO. : 1080**
Booking Upto:18/12/2017
Valid From:15/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:11/12/2017
Valid From:06/12/2017
***Stk :306 (DBTL)***
Timing:07.30am to 09.30am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto:08/12/2017
Valid From:05/12/2017
***Stk :306***
Timing:07.00am to 10.00am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto:21/12/2017
Valid From:05/12/2017
***Stk :270***
Timing:07.00am to 10.00am

**NONGPOK SEKMAI INDANE**
Booking Upto:10/01/2018
***Stk :100***
Timing:08.00am to 11.00am
***Delivery Point Charangpat.***

# নহাশিংনা মতিক চারবা মতমদা খুন্নাই অসি চাওখৎকদৌরিবনি: জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০(ঐচ এন এস):

নহাশিংনা মতিক চারবা কান্দা খুন্নাইগী নুংঙাইবা ওইগদৌরিবনি। মশা-মউ ফহন্নবা হোৎনসি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি রামলাল পাল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা নেসনল দিৱর্মিং দে অমদি মোপ-অপ দে লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র অমদি ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, এন ঐচ এম মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নহাশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। অঙাংশিংবু তিঙ্গং-কায়জংদবা মশা-মউ ফনা থম্নবা ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনবা চঙই। নেসনল দিৱৰ্মিং দে পাঙথোক্তুনা অঙাংশিংদা হীদাক পীজগদৌরিবা অসি অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবনি। লায়না-তিন্না কয়াদগী ঙাকথোক্লবনি। দিৱর্মিংগী হীদাক অসি নীংথিনা পীজদুনা লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকসি। অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবগীদমক অমসুং থৌরম কয়া পায়খৎলকপা মতমদা হেল্থ দিপার্টমেন্ট, সোসল ৱেলফেয়র অমদি এদ্যুকেসননচিংবনা খুৎথোক্তুনা চৎমিন্নবা চঙই। ঙসিগী থৌরম অসিদসু দিপার্টমেন্টশিং অসিগী ওফিসলশিং পূন্না শরুক য়ামিন্নরি। মসিমক য়াম্না অফবা অমনি।

হকশেল হায়বসি মীওইবগী য়াম্না মরুওইবা শরুক অমা ওইবনা হীরম অসিদা নীংথিনা মীৎয়েং চঙমিন্নবা তাই। মতম চানা হীদাক-লাংথক পীজবা হায়বসি মরুওই। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু মতম চানা হীদাক পীজনবা অমদি নাদ-য়েক্তনা লৈহৎনবা হোৎনগদবনি। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা শেমগৎপদা ঐখোয় পূম্নমক্না শরুক য়ামিন্নবা চঙই। অঙাংশিংনা মতিক চাবা মীওই ওইবনা কান্দা খুন্নাইগী নুংঙাইহৌদৌরিবনি। অঙাংশিং মশা-মউ ফনা থম্নবা হোৎনসি। ওফিসলশিংসু থম্মোয় শেংনা থবকশিং তৌবা তাই। মীওইবা ওইনা হিংলিংদে মতমদা খুন্নাইগীদমক অফবা থবক কয়া অঙম্বা থাক্তা তৌমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর ডো. কে রাজোনা হায়খি, থা অসিগী ১৩ দা নেসনল দিৱর্মিং দেগী হীদাক পীজনবা থৌরাং তৌরি। মসিদা অঙাংশিংবু হীদাক পীজনবা হোৎনবা তাই। চিথহৌবশিংগী ওইনা থা অসিগী ২০ দা মোপ-অপ দে হায়না মফম কয়াদা হীদাক পীজনবগী থৌরাং তৌরি। এনেমিয়া, মালন্যুট্রিসন য়াওনা লায়না মখল কয়াবু থোকহল্লিবা ৱার্মশিং অসি মুখথৎনবা মীৎয়েং থম্মি। দিৱর্মিং টেব্লেটশিং অসি পীজবনা অঙাংশিংবু লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা মীৎয়েং থম্মি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফেয়র দিরেক্টর জসিন্থা লাজারস, এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমার, হেল্থ সার্ভিসেসকী এদিসনেল দিরেক্টর ঐচ রঞ্জিৎ অমদি এদিসনেল দিরেক্টর সলামতসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার অমদি দেজদা ফমখিবশিংনা অঙাংশিংদা দিৱর্মিংগী টেব্লেট পীজবা হৌদোকখি।

## রিমসতা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (ঐচএন এস):

স্বাছতা এক্সন প্লানগা মরী লৈনবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস, ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিগী মিনি ওডিটোরিয়মদা ষ্টেট লেভেল কেস প্রাইজ এজে কম্পিটিসন অমসুং মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। এসে কম্পিটিসন অদু 'হ্বাট আই কে দু ফোর এ ক্লিন রিমানস, ইম্ফাল' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি।

কেটিগোরি অহুম থোক্না পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই কয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টগী ইমপ্লোয়ী কয়ানা শরুক য়াখি। কম্পিটিসন অঅদুদা ক্লাট ফাইভ অমসুং ক্লাস সভেন ফাওবগী কেটিগোরি ৱানদা লিট্টল ফ্লৱার স্কুলগী গ্রেতিনা নাওরোইবম, কেরিয়র গাইদেন্স কাউন্সিলিং সেন্টরগী ফ্লোরিদা সাপম অমসুং হেরিটেজ কনভেন্দকী উমালসমি থিংবাইজম্না মথংশিংনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা প্রাইজশিং লৌখি। ক্লাস ঐইটতগী টেন ফাওবগী ওইবা কেটিগোরি টুদা পীতম্বারা ইংলিস স্কুলগী ভেনিস কৈশাম, দি এ ভি পব্লিক স্কুলগী কির্টি মুখিরা অমসুং মণিপুর পব্লিক স্কুলগী পুক্রাম মানাওনা মথংশিংনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা প্রাইজশিং ফংখি। ওপন কেটিগোরিদ কেন্দ্র ভিদ্যালয় নম্বর ৱানগী প্রভিনা চুরাইজম, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী লিশা ক্ষেত্রিময়ুম অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাইখোম মহেস সিংহনা মথংশিংনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা প্রাইজ লৌখি।

## এস এস এস-মনিফাগী...

*লামায় ১গী মখা...* থুংলরে হায়বা ঈশৈ শকখিবা শৈশকপা উমানন্দদা পীখ্রে। বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গর (ফিমেল)না খুৎশা অনী ফিল্মগী ঈশৈ থাবুম কয়া য়াম্লক্লে শকখিবী সুস্মিতাদা পীখ্রে।

বেষ্ট লিরিসিষ্টতা অরুবা ঈচেল ফিল্মগী ঈশৈ অকনবা মালংগী শাহুমগী লিরিষ্টি কে ঐচ ঘনাশ্যামদা পীখ্রে। বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্টরগী মনানা মন্দলে মথেল ফিল্মগী জিতেনকুমার নাওরেমদা পীখি।

বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিদা তোমথিন শীজ ফিল্মগী সঞ্জয় চিঙাখমদা; বেষ্ট কোষ্ট্যুমদা তোমথিন শীজ ফিল্মগী করান থোকচোম অমদি মন্ত্রি মৈতৈদা; বেষ্ট মেক-অপ্তনা জেনি খুরাই (মিষ্টর খদাং ফিল্ম)দা; বেষ্ট এদিটিংদনা হিংহাৎ ফিল্মগী কে ঐচ আইশোমণি; বেষ্ট কোরিওগ্রাফিদা সতজিৎ থিয়ামদা (ৱাকচিং থাগী সনারৈ ফিল্ম); বেষ্ট পোপ্যুলর ফিল্ম প্রোভাইদিং হোলসম ইন্টরটেন্টমেন্ট এৱার্দনা কোরৌঙানবা-২; বেষ্ট ফিচর ফিল্ম ওন ট্রাইবেল দাইলেক্ট ওফ মণিপুরদা *কেনাও লিংপিনেং*, প্রদ্যুসর থেম্মু সিংসিট অমসুং দিরেক্টর এম পাওনাও হাওকিপতা পীখ্রে। জুরি'স স্পেসল এৱার্দনা পুইনু পুইদা, প্রদ্যুসর থেম্মু সিংসিট, দিরেক্টর এম পাওনাও হাওকিপনা ফংখ্রে। স্পেসল মেন্সন এৱার্দতা ফিশাকোল ফিল্মগী প্রদ্যুসর সেলৈবম অঙোসনাদা খূৎশিন্নখ্রে।

মাইপাক সনাহল মণিপুরী জগোই লাইফটাইম মনা ২০১৮ না থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী লাইফ্রাকপম নিংঙোল ওইনাম ওংবী ধোনী, নেতা ইরাবত লীলারোই লাইফটাইম মনা ২০১৮ (শুমাঙ লীলা)না ইরোম মৈত্রাওদগী শৌগ্রাকপম হেমন্তদা, নেতা ইরাবত লীলারোই লাইফটাইম মনা ২০১৮ (মণিপুরী সিনেমা)দা য়াইস্কুল জন্মস্থানদগী ঙাংবম স্বর্নজিৎতা পীখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা সাহিত্য সেবা সমিটি মণিপুরী ফিল্ম এৱার্দ (এস এস এস-মনিফা) ২০১৮ গী মনা লান্থোকপগী থৌরম এন তোম্বী, হান্না মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমসুং জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ভাইস চ্যেরমেননা অথোইবা মীথুং, মেঘচন্দ্র কোংবম (স্বর্ন কমল এৱার্দী) দিরেক্টর দি আই পি আরনা অখন্নবা মীথুং অমসুং ৱাই ধনঞ্জয়, প্রসিদেন্ট সাহিত্য সেবা সমিটি অমসুং এস মঙ্গোলজাও, চ্যেরমেন ফিল্ম ফোরম মণিপুর অনীনা থৌরম মপূশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ৩ য়াওনা ফিল্মগী লম্দা তোঙান-তোঙানবা এৱার্দ পূন্না ২৭ লান্থোকখি। থৌরমগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা প্রো. এন তোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা ককচীংগী সাহিত্য সেবা সমিটি মণিপুর ককচীংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা মণিপুর ফিল্মগী এৱার্দ পীরকপা হায়বসি মণিপুরগী ফিল্মগী পুৱারীদা লৈহৌরগদবা খোঙথাং অমনি। শু-নোমদুনা মণিপুরগী পূকচাক থাকপদা নৎতনা লম্ কয়াদা মাঙজিন থারিবা ককচীংগী মীয়াম চঙদুনা হীরম কয়াদা হোৎনবিয়ু। হীরম খূদিংমক্তা মাঙজিন থারক্লিবা অসি তুং কোয়না চথবীনবা হোৎনবীদুনা লৈবীয়ু। মণিপুর ফিল্মগী লমদা চঙবীদুনা হোৎনবীরিবা খূদিংমক্লা থৱায় য়াওনা হোৎনবীয়ু। খুন্নাইগী অওনবা অহোংবা অমা পুরক্লবা, অদুগা ইশা-ইশাসু ফিল্ম খক্তা নৎতনা মীয়াম্না তমজনফম মীশক অমমম্ ওইনবা হোৎনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

## মণিপুরগী পাৱর দিপার্টমেন্ট...

*লামায় ১গী মখা...* শেমগৎলক্লি।

ইন্দিয়াদা কোংগ্রেসনা মতম শাংনা পাল্লকখিবনি। মণিপুরদসু কনানা পানখি অমদি করি-করি তৌরম্বগে হায়বদু খন্নসি। অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপা থা ১১ রোমতমক ঙাইরি। বি জে পিগী লুচিংবা কয়া মণিপুরদা লাক্লগা লম্বী-থোং শেমগনি হায়খিবা অদু শেম্লক্তবা লৈতে। জিরি লম্বী শেম্নবা শেল পীগনি হায়বদু অদুমক পীরকই। জিরি লম্বী অসি ঙসিদি সেন্টরদগী লাকপা লুচিংবশিংদা প্রেসর কয়া পীবদগী থবক পায়খৎতুনা লম্বী অসি ফবা হৌরে। শাংলবা লম্বী অসিদা অফবা থোং অমত্তা থম্লমদবা অসি করম্বা পার্টিনা থোং শাননবা লৌখৎলকখিবগে হায়বসিসু নীংশিংনিংঙাই ওই।

অনৌবা লৈঙাক লাকপা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লিলোংদগী মোরে ফাওবগী লম্বী শেমজিন্নবা মীৎয়েং চঙলকখিবগা লোয়ননা টেন্দর তৌবা লোইখ্রে। লেন্দ এক্কিজিসনগী মতম খরা থেংথবনি। লমগী মমল অসি তাঙনা হায়জিল্লকপনা লোইশিনবা ঙমদবা অসিনা মতম খরা চঙবনি। লুপা ক্রোর ১,৬০০ কায়রগা লৈখ্রবনি। নেসনল হায়ৱেশিং অসি নীংথিনা শেমগদবনি। ইকনমিকেল্লি অমদি সোসিএল্লি চাউখৎহনসি হায়রবদি হায়ৱেশিং অমদি লম্বী-থোং শেমজিনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ী য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি টি লম্ফেল মীতৈনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী ২০১৭ তা মণিপুর মীয়াম্না থেংখাং অহুম্লক ঈশিং-ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নখি। য়ুনিয়ননা শিন্নীশিংগী য়াইফনবা অমদি চাউখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখি। এম এস পি দি সী এল অমদি এম এস পি সী এলদা দেপ্যুটেসন তৌদুনা থবক কয়া তৌরক্লি। কম্পেনি অনী অসিদা থবক শীজিন্নরিবা লাইনমেন, আই টি, সপোর্টর অমদি তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা শীজিন্নরিবশিং অসি খূদোংথীবা কয়া থোরকপা মতমদা কদায় ফাওবা য়ুনিয়ননা তৌবা য়াবগে হায়বদু হোৎনদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কুমজা ২০১৭ তা লৈখিদ্রবা মেম্বর ৮গী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপখি। পেন্সনর ২৭ তসু অচম্বা খূদোলপোৎ পীখি। রিপোর্টসু পুথোকখি।

থৌরম অদুদা সিনিয়র এদভোকেট এলাংবম দোলেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর ইন-চার্জ এল প্রিয়োকুমার, এম এস পি সী এলগী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর এন দ্বিজেন, এম এস পি সী এলগী জেনরেল মেনেজর ঐচ শান্তিকুমার, পাৱরগী অন্দর সেক্রেটরি অব্দুল হাকিম অমদি ইচমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এন রাজেন্দ্রোনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## পি এমনা দোলাইথাবী...

*লামায় ১গী মখা...* লুপা লাক্ষ ৫০,৮৪৭,৮৮দা লেপখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী থবক্কী প্রোগ্রেসশু য়েংশিনখি। মফমদুদা মহাক্লা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি প্রোজেক্ট অদু চাদা ৯৯.৯ মপুং ফারে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গানবগীদমক্তা শেম শারে।

মহাক্লা হায়খি, হন্দক্তা গুৱাহাটিদা প্রাইম মিনিষ্টর উনবদা প্রোজেক্টশিং অসি শঙ্গাবা য়াওনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈরগসু পি এম ওদগী কনফার্ম তৌরক্ত্রি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মার্চ ১৬তা পাংথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সাইন্স কোংগ্রেস হৌদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওগনি হায়না থাজবা লৈরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ মনুংদা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া হৌদোক্লবা অমসুং নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিবুসু উরেপ উয়ুং তমহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থৌরাং তৌরি হায়খি।

খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরগা লোইনখিবা ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, প্রোজেক্টশিংনা শোকহল্লবা খুঞ্জাশিংদা কমপেন্সেসন পীবগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং য়াম্না থুনা লৈখাই তারগনি। উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্ট মচেৎ তানা খায়দোপদগী কমপেন্সেসনগী ৱাফম থীন্থবনি।

থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী অচঙমল লুপা ক্রোর ১৯৯৮.৯৯ নি হায়না পায় অমসুং প্রোজেক্ট অদুগী দামগী অশাংবনা মিটর ১০৭৪ নি। চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা লেটপাও হাওকিপকা লোয়ননা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, এম এল এ হৈখাম ডিঙ্গো, এল সুসিন্দ্রো, টি ঐচ সৈত্যব্রতা, এল রামেশ্বর, কে লৈসিও, চিফ সেক্রেটরি আর আর রশমি, দিজিপি এল এম খৌতে অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী মকোক থোংবা সিভিল অমসুং পুলিস ওফিসরশিংসু লোইনখি।

## বোম অনী লৈরম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী১০(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ক্বাকেথেল থৌনাওজমলৈকায়দা লৈবা শিশু নিস্থা নিকেটনগী মখা থংবা স্কুল অসিগী নৌনা ফেন্সিং খানবা লৈবাক্তা উখুল তৌবদা বোম অনী লৈরম্লে হায়রি।

ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা থেংনরকখিবা বোম অনী অদু লম্ফেল পুলিসকী টিম অমা লাক্লগা লৌখৎখ্রে। বোম অনী অদু প্লাষ্টিক্লা য়োম্লগা থম্লম্বনি। স্কুল অসিগী মখা থংবদা নৌনা ফেন্সিং খানবা উখুল তৌবদা বোম অদু থেংনরকপনি হায়রি। পুলিসনা লৌখৎখ্রবা বোম অনী অদু হয়েং পুলিসকী বোক স্কাদকা লোয়ননা লম্ফেলগী দম্পিং এরিয়াদা পুরগা পোকখায়হল্লগনি হায়রি।

### পার্ফোমেন্স ফগৎলক্লিল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ (ঐচএন এস): লৈবাক অসিগী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মরক্তা হেল্থকী মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা চহি খুদিংগী ফিভম ফগৎহনবা ঙম্বশিংগী মরক্তা মণিপুরনা মকোক তারে অমসুং অপুম্বগী পার্ফোমেন্সতনা অনিশুবা তারে। মসি 'হেলদি ষ্টেটসস, প্রোগ্রেসিঙ ইন্দিয়া' হায়বা মিনিষ্টি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র, ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং নিটি আয়োগনা পুন্না পুথোকমীন্নবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্ননি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, অপীকপা ষ্টেটশিংগী মরক্তা চহি খুদিংগী হেল্থ পার্ফোমেন্স ফগৎপা ঙম্বদা গোৱানা মণিপুরগী মথক্তা অনিশুবা রেঙ্কতা লৈখি। অপীকপা ষ্টেটশিংগী মরক্তা হেল্থকা মরী লৈনবা হীরম খুদিংমক্তা মিজোরাম্না হেল্থ ইন্দেক্স ৭৩.৭০ ওইদুনা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স তাখি অমসুং মণিপুরনা হেল্থ ইন্দেক্সতা ৫৭.৭৭৮ লৈদুনা অনিশুবা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমর ওইখি। হেল্থ পার্ফোমেন্সতা মণিপুরনা চহিগী ওইনা পোইন্ট ৭.৬৭ হেনগৎপা ঙমদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা বেঙ্কশিং ওইখি।

### উচান পাম্বী য়ান্থৎপা লেপত্রে

*লামায় ১গী মখা...* হায়রি।

চহি অসিগী হৌখিবা জন্যুৱারীদা ফোরেষ্ট অমসুং পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা এরিয়া অদুদা দ্রাইভ অমা চথুখি অমসুং টিম অদুনা এরিয়া অদুদগী উ বিম খরা, উ য়ানবদা চেন্নবা ৱার্কর অনিগা লোয়ননা ফাখি।

ডিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর, থৌবালনা মরী লৈনবা কোর্টতা কেস অমা ফাইল তৌখি। হৌজিক কেস অদু কোর্টতা লৈরি। দ্রাইভ অদুদা টিম অদুগী মকোক চিংখিবা রেঞ্জ ওফিসর থৌবালনা ভিলেজ ওথোরিটিশিংগা ৱারি শান্নখি অমসুং মখোয়দা এরিয়া অদুদা অসিগুম্বা থবকশিং চথুহন্দনবা লোইননা থ্বারোক রিজার্ভ ফোরেষ্ট ঙাক শেনবদা ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা মতেং পাংবীনবা হায়খি। রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদুগী মনাক্তা লৈরম্বা বেন্ট সো অমা ফোরেষ্ট অমসুং পুলিস পার্সোনেল কাঙবুনা শিদোকখি।

ফোরেষ্ট ডিপার্টমেন্টকী ফিল্ড ষ্টাফশিংনা এরিয়া অদুদা চৎলুবা মতমদা উ য়ানবগী থবক্তা চেন্নবা মীওই খরনা মখোয়গী থবক্তু থীংলকপা তারবদি মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রবা মহয় কয়া ফংগনি হায়দুনা ষ্টাফশিং অদুদা ৱার্নিং তৌরকখিবসু লৈখ্রে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা রিজার্ভ ফোরেষ্ট অদুগা নক্লবা অতৈ খুলশিংনা মান্নবা থৌওং চথরক্তুনা মতম খরগী মতুংদা থ্বারোক রিজর্ভ ফোরেষ্টকী উ পুম্বা পুংকোক কোক্লা য়ান্থৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

# নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০(ঐচ এন এস): নেসনল লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগী গাইদলাইন মখাদা মণিপুর স্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি (এম এস এল এস এ)না শীন্দুনা ঙসি লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখ্রে হায়না এম এস এল এস এগী এদিসনেল মেম্বর সেক্রেটরি ওজেশ মুতুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা পেন্দিং কেস মখল কয়া সেট্টলমেন্ট পুরকখি। নেসনল লোক অদালট অসি থৌবাল, বিষ্ণুপুর, উখ্রুল, সেনাপতি, চুড়াচান্দপুর, চন্দেল, তমেংলোং অমদি মোরেহসু মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখি। হায় কোর্টলিগেল সার্ভিসেস কম্মিটিনসু হায় কোর্ট কমপ্লেক্স মন্ত্রিপুখ্রিদা নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখি।

নেসনল লোক অদালট অসিদা স্টেট অসিগী ওইনা কেস ৪৬০ রোম সেট্টল তৌখি। সেট্টল এমাউন্টনা ৩,৫৪,১৮,৩৬৯ নি। প্রি-লিটিগেসন মেট্টর ৪১৮ য়াওরি। মসিগী মনুংদা বেঙ্ক রিকোভরি কেস, বি এস এন এল কেস, মোটোর ভেহিকল এক্টকী কেসসু য়াওরি। কেস ৪২ অমনা কোর্টকী পেন্দিং কেসনি।

নেসনল লোক অদালটনা পার্টিশিংগী মরক্তা সেট্টলমেন্ট পুরক্লবা থবক পায়খৎলি। এৱারেনেস অমদি ঈ-পাওশিং শন্দোকপগী মীদিয়ানসু থৌদাং কয়া লৌরি। স্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগী মায়কৈদগী নেসনল লোক অদালট অসি মপুং ফানা পাঙথোকপদা কন্ত্রিব্যুসন পীখিবা জুদিসল ওফিসর এদভোকেট অমদি ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মরকসিদা, ঙসি লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নেসনল লোক অদালটতা বেঞ্চ ৬ লোমদা কেস কয়া সেট্টল তৌখি হায়নসু মখা তারি।

# পুং ৪২ গী মণিপুর বন্দ তৌরগনি: কে সী পি (এম সী)

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী১০(ঐচ এন এস): থা অসিগী ১২ গী অয়ুক পুং ৬ তগীনা থা অসিগী ১৩ গী অহিং নোংয়াই ফাওবা পুং ৪২ গী মণিপুর বন্দ মপুং ফানা চথরগনি হায়না কংলৈপাক কম্মুনিষ্ট পার্টি (এম সী) নোংদ্রেনখোম্বা গ্রুপকী পি আর ও, এ কে মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, এম ও য়ু সিগনেটরি গ্রুপশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অদু চৎলিবা এসেম্ব্লী সেসন অসিদা মরিক চুম্বা ৱারোল অমা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা পুথোকপীয়ু হায়রি। লৈঙাক্লা থৌশাবীদদুনা ৱারোল অমত্তা পুথোক্তদুনা খন্নবীদ্রবদি ষ্টেট লৈঙাক্লা এম ও য়ু সিগনেটরি গ্রুপশিংগী ৱাকৎ তাবীদ্রে হায়না গ্রুপশিং অসিনা লৌগনি হায়রি।

মরম অদুনা গ্রুপশিং অসিনা মমাংদা লৌখিবা বন্দ তৌবগী ফিরেপ হেন্না চেৎশিনহনগনি। গাড়ী চেনবা অমদি দুকান হাংবনচিংবা তৌবীদনবসু লুপ অসিনা আপিল তৌরক্লি। গ্রুপশিংগী দিমান্দশিং অসি মণিপুরগী লৈঙাক মপুদা মাঙজৌননা হান্ননা খঙহনখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা পীরক্তবদগী তঙায়ফদনা ফিরেপ অসি লৌরকপনি হায়রি। ঐখোয় মীচেন অমগুম ইশাগী কান্নবা খরা ফঙনবা সরেন্দর তৌখিবা নত্তে। ঐখোয়গী চার্টর ওফ দিমান্দ এম ও য়ু সাইন তৌরগা শোইদনা জে এম জিগী মীটিংদা খন্নগনি হায়বগী থাজবা মমাংদা লৈরম্বা লৈঙাক অমদি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিংনা পীরম্বদগী ঐখোয়গী চার্টর ওফ দিমান্দ অসিনা মীয়াম অমদি ষ্টেট অসিগী কান্নবা খরদং ওইরবসু পীরম্বা ঙম্লবদি মতম কুইনা ঐখোয়না খুৎতা খুৎলায় পায়দুনা রিভোলুস্নরি মুবমেন্ট তৌরুবগী মহৈ ফঙবা ঙম্লগনি খন্দুনা এম ও য়ু সাইন তৌখিবনি। লৈঙাক্তা সবমিট তৌখ্রবা চার্টর ওফ দিমান্দশিংদি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগা মান্ননা ষ্টেট ওটোনোমি ফঙহল্লু, অফস্পা ১৯৫৮ রিপেমেন্ট তৌ, ইনফোর্সমেন্ট ওফ ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম, য়ুনিফোর্ম লেন্দ লো ফোর বোথ হিলস এন্দ প্লেন ফোর ইক্কেল দিভলপমেন্ট ওফ মণিপুর, ইষ্টাব্লিসমেন্ট ওফ মিদ্দল সাইজ ইন্দষ্ট্রি, ইষ্টাব্লিসমেন্ট ওফ মণিপুর রেজিমেন্ট, ইমপ্লোইমেন্ট ফেসিলিটি ফোর ওল দি মেম্বর্স ফোর দিয়র লাইবলিহুদনচিংবা য়াওরি।

# এম পি মৈন্যনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০(ঐচ এন এস): মণিপুরী ম্যুজিকোলোজিষ্ট লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা লৈখিদবদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ডো. মৈন্যানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অদুনা হায়, লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার, পদ্মশ্রীনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী ওইনা মাঙজবা অমনি। মণিপুরী কন্টেম্পররি ম্যুজিক, ফিল্ম অমদি লিটরেচরদসু কন্ত্রিব্যুসন কয়া পীরম্মী। লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার, পদ্মশ্রী অসি সঙ্গিট রত্ন এৱার্দ, সঙ্গিট ভুষন, মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি ফোলো, মোইরাংথেম পহারি লাইফ টাইম এৱার্দ, অম্মিক লাইফ টাইম এৱার্দসু পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনসু ডোক্টর ওফ লিটরেচর পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমিনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি ইমপ্লোয়ী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ নন্দকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবা অসি মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমি ফেলোসু পীখিবনি। মোদর্ন মণিপুরী ম্যুজিকতা মহাক্লা পীরম্বা কন্ত্রিব্যুসন অসি শীংথানিংঙাই ওই। মহাক্লা লৈখিদবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা মাঙজবা অমনি। ষ্টেট কালা একাদেমিগী ইমপ্লোয়ীশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০(ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী ১০রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে। ফোরম অসিগী নৌনা খল্লবা এগজিক্যুটিব মেম্বরশিংবুসু তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা পি দব্লিয়ু দি (বিল্ডিং)গী চীফ এঞ্জিনীয়র নোংমাইথেম নোরেননা হায়খি, মরমদমবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন পোকহনবদা অইবা-অইবীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমনা থবক কয়া তৌদুনা লাক্লি। অইবা-অইবীশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়া অসি শীংথানিংঙাই ওই। মরমদমবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন শাগৎকে হায়রবদি অইবশিংনা মরৈবাম মরমদমবু অৱাংবা থাক্তা নুংশিরগা ইরকপা মথৌ তাই। ফোরম অসি পেট্রিওটিজমনা মাঙ থারগা চঙশিল্লক্লিবা ওর্গনাইজেসন অমনি। ফোরম অসিনা চহী ১০ অসিদা পাঙথোরক্লিবা থবক থৌরমশিং তোপ-তোপ্পী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা হায়খি, পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম কুমজা ২০০৮ কী ফেব্রুৱারী ১০ দা লিংখৎলক্তুনা ঙসিদি ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লি। ফোরম অসি য়াম্না ৱানা হৌরকখি। হৌদোরকপা মতমদা মেম্বরশিংনা ৱানা হোৎনদুনা লাকখি। টিদিম লম্বীদা লৈবা ওফিসতা ফোরম অসিনা ইবগী লম্দা চঙশিন্দুনা লাক্লি। চহী ১ দা অনীরক ফোঙবা *ঙাক্লৌ* চেফোঙসু পুথোক্তুনা লাক্লি। ফেব্রুৱারী অমদি ওগষ্ট থাদা চাংনাইনা পুথোকপা চেফোঙনি। ফেব্রুৱারী থা অসিগী ওইনা ঙসি চেফোঙ অসি রিলিজ তৌগনি।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমনা লাইরিক ৮০গী মথক্তা ফোঙখ্রে। ট্রান্সলেসনগী লাইরিক কয়াসু য়াওরি। অইবা-অইবীশিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা ফোরম অসিদা থবক থৌদা কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। ফোরম অসিগী অসাম, ত্রিপুরানচিংবদা ব্রাঞ্চশিংসু হাংদোকখ্রে। ফোরমনা রাইটর্স ষ্টদি টুর মফম কয়াদা চৎপসু লৈখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা হন্দক্তা লৈখিদ্রবা অইবা-অইবীশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা লৈ-শু কৎখি। থৌরম অদুদা অসাম, ত্রিপুরা, বাংলাদেশনচিংবদগী লাকপা দেলিগেটশিংসু তরাম্না ওকখি।

# দ্রাইভিং লাইসেন্সশিং আধার লিঙ্ক তৌনবগী প্রোসেস পায়খৎলি : সেন্টর

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১০ (এজেন্সি): ফেক লাইসেন্সশিং মুখৎনবগী পান্দমদা সেন্টরনা দ্রাইভিং লাইসেন্সশিংগা আধার নম্বরশিংগা লিঙ্ক তৌনবগী প্রোসেস পায়খৎলি অমসুং মসিগীদমক রিএল টাইম বেসিসতা ষ্টেট খূদিংমক ফাওনগদবা সোফটৱ্যের অমা শেম-শারি হায়না ঙসি সুপ্রীম কোর্টতা গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী সুপ্রীম কোর্টকী জজ জষ্টিস কে এস রাধাকৃষ্ণননা লূচিংবা রোদ সেফটিগা মরী লৈননা কোর্টতা এপোইন্ট তৌখিবা কম্মিটি অমনা হীরম অসিগী মতাংদা জষ্টিসশিং মদন বি লোকুর অমসুং দীপক গুপ্তা য়াওবা বেঞ্চ অমদা খঙহনখি। চীফ জষ্টিস দীপক মিশ্রানা লূচিংবা জজ মঙাগী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমনা হৌজিক আধার স্কীম অমসুং মসিবু য়াহল্লিবা ২০১৬ কী লোগী কনষ্টিট্যুসনেল ভেলিদিটি শীংনবা পীটিসন খরা হিয়রিং তৌরিঙৈ মরকসিদা গভর্নমেন্টনা এপেক্স কোর্টতা খঙহল্লিবা ৱাফমসি মরু ওই হায়না লৌনরি।

সুপ্রীম কোর্টতা থাগৎখিবা কম্মিটিগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি কম্মিটি অসিনা হৌখিবা চহীগী নবেম্বর ২৮ দা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ (এম ও আর টি ঐচ) গী জোইন্ট সেক্রেটরিগা উনখি অমসুং ফেক লাইসেন্সশিং শীজিন্নবা অমসুং মসিবু করম্না মুখৎকদগে হায়বা ৱাফম য়াওনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

ফেক লাইসেন্সশিংগী ৱাফমগী মতাংদা হৌজিক লাইসেন্স খূদিংমক আধারগা লিঙ্ক তৌহনগদবা 'সার্থি-৪' কৌবা সোফটফ্যের অমা নেসনল ইনফোর্মেসন সেন্টর (এন আই সী)না শেম-শারি হায়না এম ও আর টি ঐচনা ফোঙদোকখি। সোফটৱ্যের অসিনা ষ্টেট খূদিংমক রিএল টাইম বেসিসতা ফাওনহনগনি অমসুং লৈবাক অসিগী মফম খূদিংমক্তা কনামত্তনা লাইসেন্স ডুপ্লিকেট তৌবা নৎত্রগা নারোন্দা শাবা ঙম্লরোই হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

## কাদানা কাংজৈবুং মনিংগী য়ু...

*লামায় ১গী মখা...* য়ু য়োনফমশিং অদু হাংহন্দুনা রেইদ চথুখি। ফাগৎলবা য়ুশিং অদু কাদাগী থৌমীশিং অমদি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ এক্সাইজ ও সী জোন-২গা লোয়ননা এক্সাইজ হেদ ক্বার্টরস লম্ফেলদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

লৈঙাক্লা ইম্ফাল ময়োলমক্তদা ফোঙনা য়ু য়োল্লিবশিং অসি ফাদনা থল্লিবসি কনখৎতুনা থল্লিব্রা, কাংজৈবুং মনিংগী য়ু য়োনবা অসি মতম য়াম্না শাংলবা অমদি মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লসু মফম অসিদা য়ু য়োল্লিবশিং অসি ফাগৎপগী মহুৎ কনখৎতুনা থল্লকপনা ঙসিদি য়ুগী অচৌবা মকোন অমা ওইরে। লৈঙাক অসিনা চীন্দনা ময়াই কাবা চীঙাক থিংবগী ৱা ঙাঙবা তাই। কাংজৈবুংদা ফোংনা য়োল্লিবা অসিদি উদব্রা। কাদানা ঙসি থুগায়রিবা য়ু য়োনফমশিং অসি লৈঙাক অসিনা মতম চুপ্পা য়ু য়োলহন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

লিকর প্রোহিবিসন এক্ট চৎনদুনা দ্রাই ষ্টেট ওইরিবা ষ্টেট অসিদা ইম্ফাল ময়োলমক্তদা য়ু ফংহনবা অসি লৈঙাক্লা ইকায়ফম থোকই। লোগী মতুংইন্না, ইম্ফাল ময়োল মনুংদা য়ু য়োল্লিবশিং অসি অকনবা দ্রাইব চথবীয়ু। নাইট প্লাজা/ইম্ফাল ইভনিং পাঙথোক্লগা লো এন্দ ওর্দর ফগৎনবা উৎলিবা অসি য়ু য়োল্লিবমখৈ কান্নবা লৈরোই। কাদাগী দ্রাইবতা মতেং পাংগদবা এস আই অমনা য়ু য়োনবশিংগী মীচঙ চঙদুনা লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌরিবা মমা, মচে, মচলদা অকন-অরিং শীংলিবা অসি লৈবাক মচা তাদবা মচৎনি। এস আই অসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা অথুবদা এক্সন লৌখৎতুনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি। করিগুম্বা এস আই অসিবু লৈঙাক্লা কনখৎতুনা থম্লবদি কাদানা তুমিন্না লৈথোক্লোই। দ্রাইব অসিদা মতেং পাংলকখিবা এমসুগী ভোলুন্টিয়রশিং, পুলিস, এক্সাইজ অমদি লন্নাই মীওই খূদিংমকপুসু কাদানা থাগৎপা ফোঙদোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।